**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-10.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-য়ুমথংনবা রাজ্যশিংদা য়েলহৌমী কন্ননবগীদমক খোঙথাং কয়া লৌখৎনরক্লিবা অসি অফবা খুদম অমনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নাগালেন্দদা কাংলুপ মরিগী ওইনা বেজ ইয়ার ১৯৬৩ দা ওইদুনা আইননা য়াদবা মীতোপশিং খন্দোকপগী থবক হৌখ্রে। অদুগা, কাংলুপ অমখক্কীনা বেজ ইয়ার ১৯৪০ দা ওইরি। মসিগা মান্নবা খোঙথাং অমা ওইনা মিজোরামদা ইং ১৯৫১ দা বেজ ইয়ার ওইদুনা রাজ্য অদুদা লম লৈবগী অয়াবা পীরি। ঐখোয়গী রাজ্য মনিপুরদসু বেজ ইয়ার ১৯৬১ দা ওইরি।

**অমরোমদা,** তমেংলোং জিলাগী কাদি-ফোর অমসুং কুইলোং এরিয়াদা হৌরম্বা পোপী পান্বীশিং য়ানথৎতুনা মাঙহনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা তমেংলোংগী এস.পি. অমসুং তামৈ পুলিসকী পার্সোনেলশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঐখোয়গী রাজ্য মনিপুরদগী আইননা য়াদবা মওংদা পোপী থাবা অমসুং ময়াই কাবা দ্রগ করবার তৌরিবশিং মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনবদা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি মনিপুরদগী দ্রগী চৈথেং অমসুং পোপা থাবগী থৌওংশিং মপুং ফানা তোকহনবা ঙমদ্রিবা ফাওবা চোকথবা লৈতনা হোৎনগনি।

**রিলিজ (এল)ঃ** নুমিৎ খরনি ফাজিনদুনা থল্লুবা থৌবালদগী মীওই অনি ঙসি

অয়ুক থাদোরকখিবা অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌবাল লৈশাংথেম অৱাং লৈকাই অমসুং খেকমন মনিং লৈকাইদগী থোইথোই অমসুং থোইথোইবা ঙসি অয়ুক অঙনবদা কাংপোকপী জিলাগী গামগিফাইদা জিলা অদুগী এস.পিদা কুকি সিভিল সোসাইতি-কোটুগী মীওইশিংনা শিন্নরকখিবনি। তুংদা, মীওই অনি অদু পুলিসনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংদা তেক্ত কায়দনা খুৎশিন্নরকখিবনি।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিগী কনভেন্নর-লৌরেম্বম সুবোলনা হায়-মখোয় অনি থাদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সি. ঙসিদগী মুথৎলে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা রাজ্যগী দি.জি.পি কাংপোকপী জিলাদা থাদুনা নহা অনি অসিবু থাদোরকবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। মখোয় থাদোরকবা হোৎনবদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট ফোর্স অমদি মীয়াম্বু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** উখ্রুল টাউন্দদা ঙরাং নোংমৈ কাপবগী থৌদোক থোক্তুনা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন কয়া য়াওখ্রবা মতুংদা হৌজিকসু মফম অদুদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমীনা হায়-ফিভম অদু লাকশিন্নবা সরকারনা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং মখা তানা লৌখৎলি। মফম অদুদা ইন্টরনেট সার্ভিসকী অথিংবা মখা তানা লৈরি। মখা তানা কার্ফিয়ু থমদুনা লম্বীদা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

**টেক্স (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে টু, কাংপোকপীদগী ইম্ফাল ফাওবদা তঙাইফদবা

পোৎলমশিং পুরিবা মাল গাড়িশিং অমদি করবারৱালাশিংদগী আইনননা য়াদবা মওংদা টেক্স খোমগৎপগী থবক চথুরিবা অসি থিংননবা সরকারনা থবক লৌখৎলু হায়না ওল নাগা ত্রেদরস এসোসিয়েসন মনিপুরনা দাবী তৌরি।

লুপ অসিনা থোরকপা চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা লম্বী পরিং অসিদা মাল পুবা গাড়িশিংদগী আইনননা য়াদবা মওংদা টেক্স খোম্বা অমদি অয়েৎ-অপন পীবগী চাং হেনগৎলক্লি। আইনননা য়াদবা মওংদা টেক্স খোমলিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা মতম কয়াগী মমাংদগী দাবী তৌদুনা লাক্লবসু সরকারগী মায়কৈদগী করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎপা উদ্রি। মসিনা লম্বী অসিদা থৌরিবা গাড়ি দ্রাইভরশিংগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরি।

**মেরা (এল)ঃ** মেরা চাউরেন হৌবগী থৌরম ঙসি লাইনিং লাইশোলগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা লুচিংদুনা অমাইবা-অমাইবীশিং য়াওনা ইম্ফালগী হয়িং খোংবাল উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা সনামহি লাইশঙদগী কংলা ফাওবা মীয়ামগী ওইবা লাইনিংগী খোঙচৎ অমা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিং য়াওনা চৎখি। কংলা মনুংদা লৈবা নুংজ্রেং পুখ্রিদগী ইরু-ইশেং লৌরুরবা মতুংদা সনামহি লাইশঙ ফাওবা পুরকখি অমসুং মফম অদুদা লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থোরম পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগী মতাংদা রাজ্য সভাগী এম.পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়-হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীপুম খুদিংমক খম থেংনা ৱামিন্নরি। লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংনা হৌখিবা খুদিংমক কাউথোকদুনা রাজ্য অসিদা মতৌ করমা শান্তি অমদি নুংশি চান্নবা পুরক্কদগে হায়বা লম্বী অদু থিমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি সরকার খক্তদা তায়নবগী মহুৎতা ঐখোয় খুদিংমকসু কমদৌনা শান্তি অমদি নুংশি চান্নবা পুরক্কদগে হায়বা

লম্বী অদু থিমিন্নবা চংই। ঙসি পাঙথোক্লিবা মেরা চাউরেন হৌবগী থৌরম অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা কাংলুপ-ফুরুপ খুদিংমক হান্নগুমা নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

**কার্ড (এল)ঃ** হকশেল বিভাগকী সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইগী পোলিসি মেনেজর ডা: ইরেংবম বিজেতানা হায়রি-চীফ মিনিস্তরগী হকশেলগী তেংবাং সি.এম.ঐচ.টি. কার্ড থিংজিনখ্রে হায়না সোসিএল মেদিয়াদা তোকঙা শন্দোক্লিবা অসি অরানবা ৱাফমনি।

ডা: বিজেতানা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-সি.এম.ঐচ.টি. স্কিমগী মখাদা হান্না লন্নাই হোস্পিতালশিংদা অখন্নবা লায়না খরগী নত্তনা হান্না পীরম্বা মখল খুদিংমক্কী অনাবশিংগী লায়েংবগী খুদোংচাবা অদু চহি অসিগী ওক্তোবর ৩০ দগী তোকখ্রে। লায়েংবদা শেল হেন্না চংবা অনাবা মখলশিং মরুওইনা দাইলাইষ্টিস, ত্রান্সপ্লান্ট, কারদিওলোজি, কেন্সর, ন্যুরোলোজি অমসুং ন্যুরো-সরজরিগী ওইনদি স্কিম অসিগী মখাদা লন্নাই হোস্পিতালশিংদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীরি। সরকারগী লায়েংশঙশিংদদি স্কিম অসিগী মখাদা হান্না পীরম্বা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং অদুম্মক মখা তানা পীরি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি ফাওবা নোং চুরবা য়াই। দিপার্টমেন্ট অসিগী মেতিওরোলোজিকেল সেন্টর-ইম্ফালনা ঙসি থোকপা স্পিসিএল ৱেদর বুলেটিন অমদা হায়-খা নোংপোক থংবা বঙ্গলাদেস অমসুং বঙ্গোপ সাগরগী নোংপোক থংবা শরুক্তা সাইক্লোনিক সারকুলেসন লৈবদগী নোং তারবা য়াই হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা হয়েং অমসুং হংচিৎ ফাওবা নোং চুরবা য়াই। মফম খরদদি কা হেন্না কন্না নোং চুরবা য়াই। ঙসিসু

মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা ময়াই ওইরপ্পা চাং ওইনা নোং চুখি।

**মৈ (এল)ঃ** নোনে জিলাগী নুঙবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী কম্বীরোলদগী বরাক থোং ফাওবগী মরক্তা ঙসি মাল পুবা টাটা অমা মৈ চাকখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-অয়ুক পুং ১১ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা এল্যুমেনিয়মগী পোৎ-চৈশিং পুবা টাটা অদুনা এলেভেন কে.ভি. হায় টেন্সন লাইনদা থেংলুবদগী মৈ হৌরক্তুনা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অদুমওইনমক, থৌদোক অদুদা অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে।

**গ্রাম সভা (এল)ঃ** লৈবাক অসিগী অপুনবা গ্রাম পঞ্চায়ট লাখ ২ হেনবগী মনুংদা স্মার্ট জি.পি ওইনা শেমগৎনবগীদমক ১২০ খনগৎপদা শওস্থুং গ্রাম পঞ্চায়টসু য়াওরে।

ৱাফম অসি মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিবলপমেন্ট কোরপোরেসনগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা লমলাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- খোঙবানতাবম ইবোমচানা পুংদোম্বম গ্রাম পঞ্চায়টকী মীফমদা ঙসি ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়-শওস্থুং গ্রাম পঞ্চায়ট অসি মোদেল গ্রাম পঞ্চায়ট অমা ওইনবগী চপ চাবা মগুনশিং লৈবদগী খনগৎপদা য়াওরকপনি।

**রেল্লি (এল)ঃ** ৱাইল্ড লাইফ কঞ্জারভেসনগী মতাংদা ঙসি ইম্ফালদা মহৈরোইশিংগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ৱাইল্ড লাইফ ৱিং অমসুং সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা রেল্লি অদু ইম্ফালগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী হৌরগা হপ্তা কাংজৈবুং লমথুংফম ওইখি।

**এনএসএস (এল)ঃ** ওইনামদা লৈবা রোয়েল একাডমী ওফ লোগী এন.এস.এস. টিমনা স্বাচছতা হি-সেভা-২০২৪ গী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লু-নানবগী কেম্পেইনশিং পাঙথোকখ্রে।

মমাং থাগী ২৪ দগী হৌদুনা নুমিৎ তরেৎনি চুপা চখ্খিবা কেম্পেইন অদুদা নম্বোল বজার খোরিফাবা চিং, মাইবমলোৎপা চিং, লৈমরামগী শান্তি বজার অমসং নম্বোল বস ষ্টেননচিংবদা লম-তু শেংবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**খুরখুল (এল)ঃ** ইন্টরনেসনল ডে ওফ ওলদর পার্সন্সকী পালন থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুল প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অহল ওইরবা মীওইশিংবু লেমা লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**এইমস (এল)ঃ** অপুনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোই-শিনপাংলুপ (এইমস) ময়াই লন্বী য়ুনিট কাউন্সিলগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খল্লে। খোমদ্রাম সনামতুমনা প্রসিদেন্ট ওইরগনি।

**অম্বা (এল)ঃ** ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসননা শিনবা ৬২ শুবা মিস্তর মনিপুর ২০২৪, লাক্লিবা দিসেম্বর ১৪ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

শাফবশিংগী অথোই অহেন তান্নবা অসি কেটেগোরি তরেৎ থোকবা খায়দোক্কনি হায়না অম্বাগী চেরোল অমদা হায়রি।

**পিএম ঃ** কেন্দ্র সরকারনা নহা কয়াদা কান্নবা পীগদবা প্রাইম মিনিস্তর ইন্টরনসিপ স্কিম ঙসি হৌদোকখ্রে।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা য়ুনিয়ন বজেট ২০২৪-২৫ দা লাউথোকখিবা স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নহা কোতি অমরোম তোঙান তোঙানবা কম্পানি ৫০০ রোমদা চহি মঙাগী ওইনা ইন্টরনসিপ তৌবগী খুদোংচাবা পীরি।

কোরপোরেট এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হায়-হায়রিবা পাইলোট প্রোজেক্ট অসিগীদমক সরকারনা লুপা কোতি ৮০০ খাত্তুনা থমলে। শেনবা চহি ২০২৪-২৫ অসিদা লৈবাক অসিগী নহা কোতি অমা লাখ ২৫ রোমদা ইন্টরনসিপ তৌবগী খুদোংচাবা পীনবা পান্দম থল্লি। ইন্টরনসিপ তৌনিংবা নহাশিংনা ওন লাইনগী খুথাংদা থা অসিগী ১২ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবা য়াগনি। ইন্টরনসিপ তৌবগী মতম থা ১২ ওইগনি হায়রি। ইন্টরন তৌরিবা ত্রেন্নিংশিংগী থাগী ওইনা লুপা লিশিং মঙাগী স্তাইপেন্দ পীগনি হায়রি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** মহৈরোইশিংনা থকশি খাসি লৈনা থবক তৌবগী হৈনবী লৈনবা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি।

উদয়পুরদা ঙসি মোহনলাল সুখাদিয়া য়ুনিভরসিতিগী কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরমুনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী রাজস্থান খোঙচৎকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা কনভোকেসন অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়-মহৈরোইশিংনা মখোয়গী লমচৎ মাংনিংঙাই ওইবা থবক অমত্তা কৈদৌনুংদসু তৌরোইদবনি। মসিগী মহুৎতা মখোয়গী লমচৎ শাজৎতা থকশি খাসি নীংথিনা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি।

রাস্ত্রপতিনা হায়-বাবা সাহেব বিম রাউ অম্বেদকরনা শিক্ষা হায়বসিদগী লমচৎ শাজৎনা হেন্না মরুওইনা হায়না থাজরম্মী। ২১ শুবা চহি চা অসিদা লম কয়াদা খোংজেল য়াংনা অহোংবা কয়া থোক্লি হায়না ফোংদোক্লদুনা শ্রীমতি মুরমুনা হায়-ৱাখল লৌশিং, বিগ্যান অমসুং টেকোলোজিগী লমদসু লেপ্পা লৈতনা অহোংবা কয়া থোক্লি। অসিগুম্বা মতম অসিদা মহৈরোইশিংনা অফ-

ফত্তবগী ৱাখল নীংথিনা খন্থদুনা অচুম্বা মায়কৈদা পুন্সিবু পুদুনা চৎনবা হোৎনগদবনি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীয়ামা য়ামা পামবা রেদিও প্রোগ্রাম-মন কি বাট, ঙসি চহি তরা মপুং ফারে।

ইং ২০১৪ গী ঙসিগী নমিৎ অসিদা শ্রী মোদিনা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোকখিবা অহানবা মন কি বাট থৌরমদা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং মীয়ামদা ফোংদোকখি। লেপ্তুনা শন্দোরক্লিবা মন কি বাট থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা খুন্নাইগী, কলা সংস্কৃত্তিগী, অকোইবগী ফিভম অমসুং তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগা মতাংদা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কান্নরবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মন কি বাট থৌরম অসি প্রধান মন্ত্রি অমসুং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মরক্তা পাউ ফাওনবগী ফজরবা প্লেটফোর্ম অমসু ওইরক্লি।

**হরিয়ানা ঃ** হারিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোয়খ্রে। সিট ৯০ লৈবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখলগী ভোৎ তাঙ্কক অমখক্তদা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা থাদনগনি। ভোৎ মশিং জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগীগা পুন্না থা অসিগী ৮ দা থীগনি।

ভোৎ খোম্বগী অরোইবা নুমিৎতা ঙসি উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা কলায়ত অমসুং সাফিদো বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি। অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মসু অম্বালা সিতি বিধান সভা কেন্দ্রদা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরিবা অসিন গোলয়বু শৌগৎতুনা রোড সো অমসুং মীয়ামগী রেল্লিদা শরুক য়াখি।

কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা নু, মহেন্দরগর, অতেলি অমসুং নরনাউল বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংখি।

মরক অসিদা, ইলেক্সন কম্মিসন্না ভোৎ থাদনগদৌরিবা নুমিৎ ওক্তোবর ৫

গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মখায় ফাওবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী একজিৎ পোল পাঙথোকপদা অথিংবা থমখ্রে।

**নেপালঃ** নেপালদা ঈশিং ঈচাও অমসুং চিং নিংখায়বদা শিখিবা মীগী মশিং ২৩৩ য়ৌরে। হৌজিকসু মীওই ২২ থিবা খঙদনা লৈরি। মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অসিদা পুন্না মীওই ১৬৯ লোম অশোক অপন নংলে।

নেপালগী গৃহ মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক অমনা হায়-হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ১৭,১২০ শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকপা ঙমলে। সরকারনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি। ঈশিং ঈচাও অমদি চিং নিংখায়বদগী অমাং অতা থোক্লবা লন্মীশিং শেমজিনবীনবসু সরকারনা থবক পায়খৎপা হৌরে।